য়েমেন লান : অঙাং পুবা বসতা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকপদা ৪৩ শিরে, কয়ানা শোক্লে

সনা, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা য়েমেনগী অৰাংথংবা অমসুং রিবেলশিংনা খুদম চনবা মফমদা অকনবা মওংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে। থৌদোক অদুদা অঙাং য়াওবা মীচম কয়া লৈখিদ্রে। এয়র ষ্ট্রাইক চথরক্লিঙৈ মতম অদুদা অঙাং পুবা বস অমা দাহেয়ান কৈথেল তম্না লাকখি।

মতম অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকপা অদুনা মরম ওইরগা বস অদু চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। রেদ ক্রোসকী পাউ মতুংইন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথরকপা অদুদা অঙাং য়াওনা মীওই ৪৩ শিখ্রে। লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদু চহী ১০ গী মখাদা লৈবশিংনি হায়রি।

চুংশিন্নবা কাঙবু অদুনা হাওথি রিবেলশিংগা লান থেংনবদা য়েমেন লৈঙাক্তা শৌগৎলিবনি। ইন্টরনেসনল এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন লোগী ৰাঙাঙলোয় কর্নেল টর্কি অল-মালকিনা ফোঙদোরকখিবদা, সাউদিনা লুচিংবা কাঙবুনা অকনবা এয়র ষ্ট্রাইক চথরিঙৈ চৈরক অদুদা হাওথি রিবেলশিংনা বেলেষ্টিক মিসাইল কাপ্লকখি। সাউদিগী খা থংবা জিজান সিটিদা লৈবা মীচমশিংদা টার্গেট তৌদুনা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখি হায়রি। চুংশিন্নবা কাঙবুগী মতুংইন্নদি মখোয়না মীচমশিংদা টার্গেট তৌখিবা লৈতে হায়রি। অদুম ওইনমক হ্যুমেন রাইটস গ্রুপনদি কাঙবু অদুনা কৈথেল, স্কুল, হোস্পিটাল অমসুং মী লৈনবা মফমশিংদা বোম থাদবগী থৌওং কয়া চথখি হায়না মরাল শিরি।

হৌখিবা চহী ৩ লোম অসিদা মীয়াম তীনবা মফমশিং অসিদা বোম থাদদুনা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা লৈখ্রে হায়না মরাল শিরক্লি। ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ রেদ ক্রোস (আই সী আর সী)না ফোঙদোরকখিবদা, ঙসি অশোক-অপন নংখ্রবা মীওই কয়া সদাদা লৈবা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। মীওই কয়ানা শিহনখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা চহী ১০ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনি। লমদম অদুগী হোস্পিটালশিংদা মতেং পাংননবা মীওই কয়া থাজিনখ্রে হায়রি।

স্পেনগী ফাইটর জেট ১না শোয়বদগী মিসাইল কাপখ্রে

মাদ্রিদ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ

স্পেনগী ফাইটর জেট অমনা ট্রেনিং মিসন চথরিঙৈ চৈরক্তা শোয়বদগী ষ্টোনিয়াদা মিসাইল কাপশিনখ্রে। খুদোংথিবা থৌদোক অদু লৈবাক-পোকপা নুমীৎকী নুমীৎয়ুংবা মতুংদা থোকখিবনি। ষ্টোনিয়াগী অৰাং নোংচুপথংবা শরুক্তা ফাইটর জেটশিং ট্রেনিং মিসন পাঙথোকখি। শোয়বদগী কাপথোকখিবা এয়র টু এয়র মিসাইল অদুনা থোইদোকপা অমাঙ-অতাদি থোকহনখিদে। মিসাইল অদু মথন্তা পোকখায়জহন্নবগী দিভাইস য়াওবা মরম্না অকায় অতোয় থোকহন্দনা কায়হনখি। ষ্টোনিয়া মিলিটরিনা ফোঙদোরকখিবদা, কায়খ্রবা মিসাইল অদুগী অতেক অকায়শিং থিরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা স্পেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থিগৎলগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টানগী এক্ট্রেস, শৈশকপী রেস্মা মপুরোইবনা হাৎখ্রে

ইস্লামবাদ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী শৈশকপী, এক্ট্রেস রেস্মা মপুরোইবনা নাওসেরা কলান লমদমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদু পাকিষ্টানগী খাইবর পখাতুনখ্বা প্রোভিন্সকী মনুং চনবা নাওসেরা কলানদা থোকখিবনি।

পাকিষ্টানগী জিও টিভিনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, লৈখিদ্রবী রেস্মা মহাক্কী মপুরোইবা অদুগী মরিশুবা লোয়নবীনি। মহাক সিটি অদুগী হাকিমা বাট লমদমদা লৈবনি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না রেস্মা অমসুং মহাক্কী মপুরোইবগী মরক্তা ইমুং-মনুংগী ওইবা য়েৎনবা কয়া লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা মপুরোইবা অদুনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি। মীওই অদুনা রেস্মাবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লবা মতুং মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। পুলিসনা হৌজিক মী হাৎপগী কেস লৌখৎপগা লোয়নননা থিগৎপা হৌখ্রে। রেস্মা পাম্ঠো হায়না খঙনবা মহাক্কী ঈশৈ অমদগী মীয়াম্মা শকখঙনরকখিবী নুপী অমনি। মদুদা নত্তনা পাকিষ্টানগী মমিং চৎলবা দ্রামা জোবল গুলুনাদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি হায়রি।

পাকিষ্টানগী খাইবর পখাতুখ্বাদা নুপীশিংগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চথবগী থৌদোক অসি হন্দক্কী অসিনা ১৫শুবনি। চহী অসিদা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা ভাইওলেন্স কয়া থোকখ্রে। মান্নবা থৌদোক অমা ওইনা ষ্টেজ এক্ট্রেস সুনবুল চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৰারি ৩ দা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখিবা লৈখ্রে। পাকিষ্টানদা নুপীশিংগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চথবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মদুগী মনুংদা ঙসি রেস্মা হাৎখিবগী থৌদোক অদুসু অমা ওইরি হায়রি।

HOME TUTORS AVAILABLE

TIMES TUTORIAL, a division of **TIMES GROUP** Imphal is providing up to date home tutors at the lowest fees up to Class XII.

Contact : ☎ **8415092124**

Sd/- **TIMES TUTORIAL**
Near Sangai Hotel, Nagamapal, Imphal

HL-P/5206/10

লোম্বোক যুহাদা শিখিবা মীগী মশিং ২৫৯ শুখ্রে

মটারাম, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিয়াগী লোম্বোক ঈথৎতা হাখিবা মেগনিচ্যুদ ৬.৯ য়ৌখিবা অকনবা যুহা অদুদা শিখিবা মীগী মীশিং ২৫৯ শুখ্রে। অতেক-অকায় মরক্তা মীওই কয়া ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবগা লোয়নননা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়াই হায়রি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা হাখিবা অকনবা যুহা অদুগী মতুং অফ্টরসোক ওইনা ঙসি ফাওবদা যুহা ৩৫০ রোম হাখ্রে। অফ্টরসোক ওইনা হারকখিবা যুহাশিং অদুগী মনুংদা মেগনিচ্যুদ ৫.৯ দগী ৬.২ য়ৌবা ফাওবা য়াওখি হায়না থিজিন হুমজিনবা কাঙবুনা ফোঙদোরক্লি।

যুহা অদুনা খুদোংথিবা নংহনখ্রবা মফমশিংদা মী কনবা কাঙবুনা অতেক অকায় মরক্তা অহিংবা মী থিবগী থবক চথরি। ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না লমদম অদুদা বিল্ডিং কয়া নীংখায়খিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চপ চানা শিখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক অশিবা মীগী মশিং হেনগৎক্লি হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী চীফ সিক্যুরিটি মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক অদুদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। লোকেল মীদিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি শিখিবা মীগী মশিং ৩৪৭ শুরে হায়রি। অদুম ওইনমক নেসনল দিজাষ্টর এজেন্সীগী ৰাঙাঙলোয় সুটোপো পুরৱো নুগ্রোহোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ২৫৯ শিখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। অদুম ওইনমক তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

লোম্বোক্তা লৈবা খুঙ্গং খরদি চাউনা অমাঙ অতা থোকখি। খুঙ্গংশিং অদুদা লৈবা বিল্ডিং পুম্নমক নীংখায়খি হায়বগী রিপোর্ট লৈ হায়রি। লৈঙাক্কী পাউ মতুংইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ১৪০০ অশোক-অপন নংখি হায়রি। অদুগা মীওই ২,৭০,০০০ না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। ঙসি শগোলশেন নুমীৎ ফাওবদা লোম্বোক্কী অৰাং নোংচুপথংবা সমুদ্র খোংবাল-শিংদা নৌনা নীকপগী থৌদোকশিং থোকখি। মীপায়রবা মীওই চা কয়ানা ময়ুমদগী চেন্থোক্লরক্তুনা লম্বীদা য়ারেক্লখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সুনামি লাকপা য়াবগী ৱার্নিং ইস্যু তৌবা লৈত্রি হায়রি। নোংমাইজিং নুমীৎতা হাখিবা যুহা অদুগী মতুংদা অফ্টরসোক ওইনা যুহা ৩৫০ হেন্না হাখিবা থেংনরে হায়রি।

স্কুলশিংদা এটেক চথনবা অঙাংশিং ট্রেনিং পীরম্বা থেংনরে

ৱাশিংতন, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ

স্কুলশিংদা এটেক চথনবা মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা নীংথিনা পীজ-পীথক তৌদবা অঙাংশিং ট্রেনিং পীরম্বা থেংনরে। নীংথিনা চাবা থকপা ফংদ্রবা অঙাং ১১ থেংনখ্রবা মতুং থৌদোক অদুদা হকথেংননা থৌদাং লৌবনি হায়বা মীওই অমা ফারে হায়না যু এস মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি। চহী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অদু ফাজিন্দুনা স্কুলশিংদা এটেক চথনবা ট্রেনিং পীরমখিবনি। অঙাংশিং অদুদা করম তৌনা নোংমৈ শীজিন্নগদগে হায়বা তম্বীরমখি। ন্যু মেক্সিকোদগী ৱাহাজ কৌবা মীওই অমা য়াওনা ইরাই নুমীৎতা মীওই অনী ফাগৎখ্রে। মদুতা নত্তনা নুপী অহুমসু ফারে হায়রি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 3rd August, 2018

No. 3(I)/3/2009-HSC(Vol-V)/4326: In pursuance of resolution No. 2.1 of the Council meeting held on 31-7-2018, modified Syllabus and Design of Question Paper of Physical Health Education and Sports subject for Classes XI & XII of Council of Higher Secondary Education, Manipur (enclosed herewith as Annexure) will replaced the existing one with effect from the current session, 2018-2019.

All the concerned are, therefore, requested to do the needful accordingly from their ends.

Sd/- **Kh. Gunabati Devi**
Deputy Secretary (Academic-I),
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/4787/10

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 665/SDC/IW(P) of 2018

1. Ningthoujam Memcha Devi W/o (L) Sharatchand Singh of Sagolband Thingom Leikai.
2. Thangjam Shashichandra Singh S/o Kanhai Singh of –do–.
3. Salam Dusharani Leima W/o S. Sharat Luwang of Sagolband Bijoygovinda.
4. Thangjam Indira Devi, W/o Ningthoujam Rajen Singh of Keishampat Leimajam Leikai.
5. Thangjam Ashalata Devi, W/o Heisnam Amarjit Singh of Khaidem Mayai Leikai.

-Petitioners

-Vrs-

Late Thangjam Bihari Singh S/o (L) Chaoba Singh of Sagolband Thangjam Leikai.

-Deceased Pattadar

/NOTICE

09/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খুৎথাংদা মরি লৈনবশিংগী মফমদ খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাংশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৯৪-লাংজিংগী পাট্টা নম্বর ২৮৩ (অরিবা), ১০৪/৪৬৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৮১/৭২১ গী এরিয়া ০.৬৫০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা/পল্লিবী দংকারি/দংকারিনিশিং অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৭/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/1963/10

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/4774/4/8-4/9

EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI &
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018

CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nemily (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mritunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apal (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-B/4742/16/7-14/8

GOVERNMENT OF MANIPUR
STATE ACADEMY OF TRAINING, TAKYELPAT

TENDER NOTICE

Imphal, the 8th August, 2018

No. 3/1/2016(4)-SAT: Sealed rate quotations are invited from firms registered under GST for supply of breakfast, lunch, dinner, tea & snakcs for the trainees in State Academy of Training. The menu for lunch and dinner will comprise of cooked rice, Dal, vegetable (shubjee) and panner, salad for vegetarian meal. In case of non-vegetarian meal, menu will comprise of rice, dal, shubjee, salad and fish or chicken curry.

Rate Quotation may be submitted to the office of the State Academy of Training on or before 12:00 noon of 16th August, 2018 separately in sealed cover for breakfast, lunch or dinner, tea & snacks. Tender will be opened at 1:00 pm in presence of intending tenders in my office.

The undersigned reserves the right to reject any tender without assigning any reason thereof.

Sd/- **O. Nabakishore Singh**
Director General

HL-B/4785/9&10

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, Thoubal, Govt. of Manipur

Ref:- Mut. Case No. 386/AS&SO/TBL ***Dated : 09/08/2018***

Moirangthem Panchamani Singh S/o (L) Kamal Singh of Langathel Moirang Leikai.

-Applicant

-Vrs-

(Late) Moirangthem Kamal Singh S/o (L) Yaima Singh of Langathel Moirang Leikai.

-O.P.P.

/NOTICE

Dt. 09/08/2018

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি. খুল নং ৪৫-লাঙথেল পাট্টা নং ৯০ (অরিবা) পাট্টা নং ৩৫০ (অনৌবা) দাগ নং ২৭৫ এরিয়া ০.০৪১০ হেক্তর চাওবা ইশ্চোল অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার শ্রীমোইরাংথেম কমল সিংহ পীতা মৃ: য়াইমা সিংহ সাং লাঙথেল মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারি (এপ্লিকান্ট) গী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অমদি মরী মতা, মচা-মশুশিংনা ওবজেক্সন (য়েৎনিংবা) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলগদবনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer
TBL, Govt. of Manipur

HL-P/5207/10

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

- BANGLADESH
- KAZAKHSTAN
- PHILIPPINES
- SOUTH AMERICA
- RUSSIA
- CHINA
- KRYGYSTAN
- GEORGIA
- UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN

REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August

Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895

HL-B/4779/6/8-5/9

GOVERNMENT OF MANIPUR
STATE ACADEMY OF TRAINING, TAKYELPAT
(Telefax : 0385-2441541, email: satmanipur@gov.in

No. 10/17/2018(19)-SAT **Imphal, the 8th August, 2018**

To,

1. All Head of Department,
   Govt. of Manipur
2. Managing Director/Project Director/Secretaries of State Public sector undertaking Societies, State Commissions, Manipur

Subject : 3-days Training sponsored by DoPT, Govt. of India for the year 2018-19

Sir,

Under sponsorship of DoPT, Government of India, this Academy will be conducting 3 days Training on each of the following topics for the employees of the State Government, Autonomous Bodies, Public Sector Undertaking, Commissions of the State, etc.

1) Computer and IT.
2) Women Empowerment.
3) Noting & Drafting.
4) Information Technology & Uses of app for better governance.
5) Financial Management.
6) Audit Budget.
7) Disaster Management (Earthquake).
8) GST (Goods & Service Tax).
9) Computerized Accounting Software (Tally ERP 9).

2. Considering the importance of knowledge and skills of the employees, you are requested to nominate Group A, B & C employees in your department to attend any of the training on the above mentioned topics. Nomination indicating the name of the employees, designation & Course to be attended and his mobile no. may furnished to us.

3. We will provide training materials and working lunch to the trainees. Date of the training will be communicated after the selection of the trainees. Nomination of employees for the training may be sent to me latest by 25th August, 2018.

Sd/- **O. Nabakishore Singh**
Director General

HL-B/4788/10&11

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST, KONTHOUJAM

Ref:- Mut Case No. 705/SDC/IW(K)/ 2018

Chingakham Debananda Singh S/o (L) Damu Singh of Kangmong Tongbram.

...... *Petitioner*

-Vrs-

Late Chingakham Damu Singh S/o (L) Angou Singh of Kangmong Tongbram.

...... *Deceased Pattdar*

/NOTICE

The 9/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: কোন্থৌজম তাহশিলগী খুল নম্বর ৯৮-মাইশনাম কাংমোংগী পাট্টা নম্বর ৬২০ (অরিবা), ২৮২/১১৯০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৩৩১৪ গী এরিয়া ০.৪৬০০০ একরগী ইশ্চোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না দাগকী ময়াই থংবদা ০.১১৫ একর অসি মহাক্কী মমীং পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৭/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**:
Konthoujam

HL-P/1963/10

/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়নননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টৌন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইশ্চোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9